**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-11-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১০-১১-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অহুম ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবশিংনি হায়রি।

২) মণিপুরদা ঙরাং মীওই ৯ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা দেঙ্গিগী পোজিতিভ কেস লিশিং ৪,৫৬১ শুরে।

**অমসুং**

৩) বিহার বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল হয়েং পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোট থাদনগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অহুম ফারে। ফারবা মাওইশিং অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং মরুওইনা চীংগা তাইনবা অমদি

ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবগী থবকসু লেপ্পা লৈতনা চত্থরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

চেরোল অসিনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসননা কোনবা মফমশিংদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অহুম ফাখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসননা কোনবা জেনিমস মনাক্তগী মীওই অনি দব্লিয়ু.ৱাই তেব্লেটকা কোন্ননা মণিপুর পুলিসনা ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওই অনি অসি বিষ্ণুপুর জিলাদগীনি। মখোয়দগী দব্লিয়ু.ৱাই তেব্লেট কিলোগ্রাম ২ গ্রাম ৩০০ অমদি অতৈ চে চাংশিং লোয়ননা মখোয়না তোংলকপা গারি ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-মোতোর ভেহিকল এক্টকী ৱাংমদা নিয়ম কাইনা গারি থৌবশিংগী দ্রাইভ মণিপুর পুলিসনা লেপ্তুনা চত্থরি। গারিগী মিংসেলশিংদা নপ্পা তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকপগী থবকসু চত্থরি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙরাং মীওই ৯ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। রাজ্যগী হেলথ বিভাগনা পীবা দেঙ্গি রিপোর্টকী মতুং ইন্না ঙরাং মীওই ১৫ তেষ্ট তৌবদা মীওই ৯ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। জেনিমসতা মীওই ১৪ তেষ্ট তৌবদা মীওই ৮ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি অমদি লন্নাইগী হোস্পিতালশিংদা মীওই অমা তেষ্ট তৌবদা পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা দেঙ্গিগী পোজিতিভ কেস লিশিং ৪,৫৬১ থেংনরে। দেঙ্গি লায়না মণিপুরদা হেক শন্দোরকপদগী ঙসি ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা লৈখিদ্রে।

হেলথ বিভাগকী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈখু কাপথোকপা, লায়না অসিগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীবনচিংবা খোঙথাং কয়ামরুম পায়খৎলি। কাং চাথোকপা ঙা কয়ামরুম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থাদখ্রে।

**আর্মি (এল)ঃ** আর্ম ফোর্সেস মেদিকেল সর্ভিসেসতা থবক চংনবগী মতাংদা ভারত লান্মীনা শিন্দুনা জেনিমস অমদি রিমসতা কেম্পেইন অমা পাঙথোকখ্রে। জেনিমস অমদি রিমসতা পাঙথোকখিবা থৌরমশিংদা লম অসিদা লৈবা ভারত লান্মীগী তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ‘জোইন্ট এ.এফ.এম.এস’ হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা ভারত লান্মীগী রেদ সিল্ড দিভিজনগী মেদিকেল টিমসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ভারত লান্মীনা শিনদুনা কাংপোকপী জিলাগী জলেনবুং ভিলেজতা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, হিদাক লাংথকশিংসু লেমা ফংহনখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রোদা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।

**এআর২(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী মোলচাম ভিলেজতা রাইফল ৱিমেনশিংগা নোংমা হায়বা থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু লমদম অদুগী নহাশিংদা অসাম রাইফলসকী নুপী পার্সনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমদি লমদম অদুগী নহাশিংগা নকশিন্নবা মরী হেন্না শাগৎনবা পাঙথোকখিবনি হায়রি। নুপী পার্সনেলশিংনা অসাম রাইফলসতা মতৌ করমা থবক চংলকপগে হায়বগী ৱারি কয়া নহাশিংদা নিংথিনা পাউদমখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নুপী পার্সনেলশিংগা লোয়ননা নহাশিংনা অসাম রাইফলসকী বেরেকশিংদা চত্তুনা য়েংখি। অসাম রাইফলনা মীয়ামগীদমক তৌরিবা থবক কয়া লমদম অদুগী নহাশিংদা খঙহনখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৫৫৬ শুবা গুরুনানক প্রকাশ উটসব ঙরাং মন্ত্রিপুখ্রিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, মণিপুরদা খুন্দারিবা সিখ কাংলুপকী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

**ৱেদর (এল)ঃ** নোনে জিলাদা ঙরাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩.৩৮ য়ৌনা শাখি। রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা পীবা অইং অশাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.৪১, ককচিং জিলাদা ৩১.৭৯, কাংপোকপী জিলাদা ৩০.৯৭, বিষ্ণুপুর জিলাদা ৩০.৮৭, চুরাচান্দপুর জিলাদা ৩০.০৪ য়ৌনা শাখি। ইংবগী চাংনা সেনাপতি জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ১২.১৫ ওইখি। উখ্রুল জিলাদনা ১৩.৮৭ ওইখি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল হয়েং পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না জিলা ২০গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা ভোতর কোতি ৩ লাক্ষ ৭০ হেনবনা নুপী মীরেপ ১৩৬ য়াওনা পুন্না মীরেপ ৩০২ গী মরাইবক লেপকনি। মীখল অসিগী ভোট খোম্বগী মতম ঙরাং লোইখ্রে। ভোট খোম্বগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা বি.জে.পি অমদি এন.দি.এগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি। মহাঘট বন্ধনগী লুচিংবা কয়াসু মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক অয়ৌবী থাক্তা ভোট খোমখি। মীখল অসিগী অহানবা তাঙ্কক থা অসিগী ৬ তা পাঙথোকখি। বিহার বিধান সভাগী অপুনবা সিট ২৪৩ গী ভোট মশিং থা অসিগী ১৪ দা থিগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা হয়েং ভুতানগীদমক ভারত থাদোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা ভুতানগী নিংথৌ জেপমে

খেসর নামগিয়েল ৱাংচুককা পুন্না হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ত প্রোজেক্ত অমা শঙ্গাগনি। মেগাৱাট লিশিং ১,০২০ চাউবা পুনাৎসংচু টু হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ত প্রোজেক্ত অসি ভারত অমদি ভুতান অনিনা শেমগৎপনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা ভুতানগী প্রধান মন্ত্রি সেরিং তোকগেগসু উনদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগদৌরি। লোয়ননা, ভুতানগী থিমফুদা পাঙথোক্কদবা গ্লোবেল পিছ প্রেয়র ফেষ্টিভেলদসু শরুক য়াগনি।

**আই.এম.দিঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মধ্য প্রদেশ, ছতিসগর অমসুং ঝরখন্দদা কা হেন্না ইংবগী সমস্যা মায়োকগনি। রাজ্যশিং অদুদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২ দগীনা ৩ ফাওবদা লৈগনি। মরক অসিদা, তামিল নাদু, কেরলা অমদি অতৈ রাজ্য খরদা হায়রিবা মতম অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

এম.পি.এস.সি পরিক্ষা য়ৈথোকখিবগী পাউ, সঙাই ফেষ্টিভেলগী মতাংদা ফোংবা পাউ অমদি মণিতেক্স ২০২৫কী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন কম্পিতিতিভ মেইন্স রিতন এগজামিনেসন ২০২২ ক্রেসন ওন্নবদগী য়ৈথোকখ্রে, থা অসিগী ২২ দা হনগদৌরি হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- ইজরেলনা মণিপুরদগী লেংয়ান লিশিং ২ থারকবা ওর্দর তৌরকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা বি.জে.পিগী বি.এল.সন্তোশ সম্বিট পত্ত্রা নবেম্বর ১২ দা মণিপুর লাক্কদৌরি, ঙসি বি.জে.পিগী ওফিস বিয়ররশিংগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- পোপী পান্বী লেপ্তুনা থাজিনবদগী থাংজিং চীং মরু কোক্লে, চীংথক্তা অশাবা নুংশিৎ শিৎলে, তুরেলশিংগী ঈরি তৎলে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। থাংজিং চীংগী মফম কয়াদা পোপী পান্বী থাবগী থবক চহী ১১-১২ রোমগী মমাঙদগী হৌরম্লে হায়না সব-হেদলাইন অমসু পীরি।

লোকেল এরিয়া দেভলপমেন্ট ফন্দদগী এন.ঐচ-১৩৭-এ গী লম্বী শরুক খরা শেমগে হায়রুবদা গভর্ণরনা অয়াবা পীরকখিদ্রে হায়বা পাউ অসি-নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- বিহারদা পুখিবা চহী নৌরিবী নুপীমচা অহুম উখ্রুল পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে হায়বা পাউ অমসু ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- এ.আর পোলো টিমনা ষ্টেট পোলো টুরনামেন্ট ২০২৫ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

বোসেমনা মহৈরোইশিংদা লাইরিক ফংহনবা ঙমদবগী ফিভম লাকপা য়ানা লৈরে হায়বা মহৈরোই লুপশিংগী ৱাফম- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- নুংথিলগী ক্লেসন পেপর অয়ুক্কী সেসনদা পীথোক্লুবগী এম.পি.এস.সিগী ৱাথোক অসি প্রিন্তিং প্রেসনা শোইবনি হায়না এম.পি.এস.সিনা ফোঙদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- এম.এল.এ লোসি দিখো হিদসমগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুবা হৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- কেন্দ্র সরকারনা কুকি জোগী খূৎলাই পাইবা কাংবুশিংগা দেল্লিদা য়ুনিয়ন টেরিটরি দিমান্দগী মতাংদা ৱারি শান্নখে হায়বা পাউ অমসু ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- কে.সি.পি-এম.সিনা সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ বোইকোট তৌখ্রে, নবেম্বর ১৯ দা মণিপুর বন্দ কৌখ্রে হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউচে অসিদা- নমথানলোং য়ুথ ক্লবনা জাদোনং মেমোরিয়েল টুরনামেন্ট ২০২৫গী চেম্পিয়ন ওইরে হায়বা পাউ অমসু ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- অমুর ফেলকনগী সেতিলাইট তেক ওইরিবা চিউলোন টু সিগনেল রসিয়া য়ৌবদা মাংখ্রে হায়না ফোঙলি। পাউচে অসিদা- তামেংলোং বজারদা সন থাদোকপা য়ারোই হায়না তামেংলোং এ.দি.সিনা থিংজিনখিবগী পাউ অমসু ফোঙলি।

দ চমদা- গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি সু গ্রুপশিংগা কুকি জোশিংগী য়ুনিয়ন টেরিটরি পীয়ু হায়বা দাবীদা ৱারি শান্নবা হৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। এন.এস.সি.এন জৈলাৎ রিজননা এরিয়া অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা থবক শুরিবা কন্ত্রেক্তরশিংনা ক্বালিতি লৈনা শুননবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**